**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 20-06-2026)**

**পুলিস (এল) ঃ** মনিপুর পুলিস, এন.আই.এ. অমদি সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবুনা চুরাচান্দপুর, ইম্ফাল অমসুং উখ্রুলগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীওই ১০ ফারে।

রাজ্য পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ফারবা মীওইশিং অদু উখ্রুলগী পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্কতা লুট তৌবা, মঙাশুবা আই.আর.বিদগী নোংমৈ লাকখিবা, জিরিবামদা মার নুপী অমা হাৎখিবা, কুকিগী মীওই মরি নমদুনা ফাদুনা অমসুং হাৎখিবা, নরানসৈনাদা সি.আর.পি.এফতা এট্টেক চথখিবা অমসুং মুখ্য মন্ত্রিগী কনভোইদা এম্বুস তৌরকপদা চিংনবশিংনি হায়রি।

মনিপুর পুলিসনা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী হকচিনবা মীওই অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মাইবম লৈকাই এরিয়াদগী ঙরাং ফারে। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ইম্ফালগী ইন্টর ষ্টেট বস টার্মিনস কমপ্লেক্সতগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে। মহাক্না লোয়নবা কামজোং জিলাগী মীওই অমসু নাগামপাল খ্বাই ব্রহ্মপুর লাইময়ুম লৈরক্তগী ফারে। মখোয় আর.পি.এফ-পি.এল.এদা য়াওহন্নবা মী খোম্বদা চেন্নবনি হায়রি। অতোপ্পা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমসু কোংবা বজার এরিয়াদগী ফাগৎপা ঙমখ্রে। মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা লিশিং অনি অমসুং বোলেরো কেম্পর অমা ফাগৎলে।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লুকের ময়াই লৈকাইদগী কে.সি.পি (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমসু ফারে। চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সোংপি ভিলেজতগী য়ু.কে.এন.এগী মীওই অমসু ঙরাং ফাখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী লিৱা শরৈদা লৈবা জৱাহার নবদোয়া

বিদ্যালয়দা হয়েং পাঙথোক্কদবা নিট য়ু.জি. পরিক্ষা অসিগী য়েংলগা হয়েং অয়ুক পুং তরুক্তগী নুমিদাং পুং ৭ ফাওবা স্কুল অদুগী অকোইবা মিটর ১০০ না কোনবা মফমশিংদা ভারত্তিয়া নিয়াই শুরক্সা সনহিতা (বি.এন.এস.এস) কী ধারা ১৬৩ গী মখাদা অথিংবা থমলে।

চান্দেল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট-হেমন্ত কুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-অথিংবা অসিগী মখাদা মী মঙা নৎত্রগা মঙাদগী হেন্না পুনবা, অশোক অপন থোকহনবা য়াবা খুৎশু খুৎলায় পদুনা চৎপা য়ারোই।

**মীতিং (এল)ঃ** আয়ুসমান ভারত দিজিটেল মীসন (এ.বি.দি.এম) না ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাবু মোদেল দিষ্ট্রিক্ট ওইনা খনগৎলবা মতুং জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা লুচিংদুনা জিল অসিগী মনুংদা লৈবা হকশেলগা মরী লৈনবা ইন্সটিট্যুটশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্কনি।

মীফম অসিনা এ.বি.দি.এম. ফ্রেমৱাককী মখাদা পীরিবা হকশেলগা মরী লৈননা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি। মীফম অসিদা ফারমাসি, দেন্টেল ক্লিনিক, হোস্পিতাল অমসুং দাইগোষ্টিক লেবোরেটোরিশিংগী মীহুৎশিং মীফম অসিদা শরুক য়ানবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লি। মীফম তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কনি।

**রাস্ত্রপতি ঃ** রাস্ত্রত্তি-দ্রৌপতি মুরুমনা উরিষ্যাগী রাইরাংপুরদা এইমস-ভুবনেশ্বর সেটিলাইট সেন্টর অমা ঙরাং শঙ্গাখ্রে। রাস্ত্রপতিনা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংসু শঙ্গাখি।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা ঙসি রাস্ত্রপতিগী ৬৮ শুবা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা রাস্ত্রপতিগী ময়ুম পহারপুরদা উন্নগনি। তুংদা, লুচিংবা অনিনা মীয়ামগী মীতিন অমদা শরুক য়াগনি অমসুং লুপা কোতি লিশিং ৪৭,৬০০ লোমগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং হৌদোক্কনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, নুমিৎ নিনিগী নোংচুপ বেঙ্গোল খোঙচৎতা ঙসি কোলকাতাদা থুংলরগনি। রাজ্য অদুদা বি.জে.পিনা সরকার পায়রবা মতুংদা প্রধান মন্ত্রিনা নোংচুপ বেঙ্গোলদা চৎপা অসি ঙসিগী অসিনা অহানবনি।

কোলকাতাগী রেড রোডতা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেসনেল যোগ ডে থৌরম, প্রধান মন্ত্রিনা লুচিংদুনা হৌদোক্কনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা প্রধান মন্ত্রিনা ৱেষ্ট বেঙ্গোল ডে থৌরমদসু শরুক য়াগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি ৫৯০ চংনা পায়খৎকদবা রেলৱেগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং খরনা শঙ্গাগনি, খরনা উরেপ উযুং তমগনি। হাউরাদা ফমুং ৩০০ লৈবা রেলৱে হোস্পিতাল অমা শঙ্গাগনি। ইষ্ট মিদনাপুরদা রেলগাড়িগী ওভর ব্রিজ অমসু প্রধান মন্ত্রিনা শঙ্গাগনি। মসিগী মথক্তা প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সড়ক য়োজনাগী মখাদা কিলোমিটর ৩১৫ শাংবা লম্বী ৪৯ প্রোজেক্টসু শঙ্গাগনি।

হয়েং কোলকাতাদা ১২ শুবা মালেমগী যোগ নুমিৎকা মরী লৈননা, যোগা ফোর হেলদি এজিং হায়বা হীরমদা পাঙথোক্কদবা থৌরমদসু প্রধান মন্ত্রি শরুক য়াগনি।

**পঞ্জাব ঃ** পঞ্জাব পুলিস অমসুং বি.এস.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা পাকিস্তাননা লোন্নবা অমৃতসরগী ঙমখৈদগী মীওই অমা খুৎশু খুৎলায়গা লোয়ননা ফারে। মীওই অদুদগী এ.কে. ফোরতি সভেন রাইফল অমা, পিষ্টোল ২৫, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৩৬৮ অমদি বুল্লেট প্রুব জেকেট ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ওষ্ট্রেলিয়াদা মীওই অমগা পাউ ফাওনরবা মতুং ফারবা মীওই অদু মফম অমদা খুৎলায়শিং অদু খুৎশিন্ননবা হোৎনরম্বদা সেক্যুরিতিনা ফাগৎখিবনি।

**ফিফা ঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপকী গ্রুপ (দি) গী ৱাশিংটনদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ু.এস.এনা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

গ্রুপ (সি) গী মেটচ অমদনা মোরোকোনা স্কোটলেন্দবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এন.আই.এগী কেসতা চেন্নবা ১০ ফাগৎখিবা, তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগা ৱারী শান্নবা হৌখ্রে হায়বা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগী ৱারোল অমসুং পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকা উন্নখিবা পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

এন.আই.এগী কেসতা চেন্নবা তরা ফাগৎখ্রে। ফারবশিং থৌবালগী এন.আই.এ. কোর্টতা পুথোরক্কনি হায়বগী পাউদা মীয়াম থোমজিনখ্রে হায়না পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা নহারোলগী থৌদাং, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, সনা লৈবাক, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং গানফিয়ু মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী লুচিংবশিংগা দিল্লিদা ৱারী শান্নখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ফুরুপশিংনা মশা-মশা খক্কী খনবা তোল্লুসি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কুকিশিং ইম্ফালদা ফ্লাইট তোংনবা লাকপা হৌরে। সি.এমগী সেক্রেটরিয়েটতা ৱারী শান্ননবা হোৎনরি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা হায়খিবা ৱাফম

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

প্রধান মন্ত্রি-ভিক্সিত ভারত রোজগার য়োজনাগী মখাদা বিনিফিসরিশিংদা কোতি লিশিং ২,৮০০ য়েন্থোকখ্রে। পি.এম. মোদিগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎলিবা স্কিম কয়ানা ভিক্সিত ভারত মংফাওনহল্লগনি হায়বা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগী ৱাফম সনা লৈবাককী অহানবা হেদলাইন ওইরি। মসিগা মান্নবা পাউ পিপলস ক্রোনিকলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হায় কোর্টতা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী রিক্রুইটমেন্ট লান্না পাঙথোকখিবনি ৱাকৎলুবা পিটিসনরদা এপোইন্টমেন্ট পীনবা কন্সিদর তৌ হায়বগী দিরেক্সন পীখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ভিক্সিত ভারত মংফাওনহনবদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি হায়না শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা ফোংদোকখিবা ৱাফম মনিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

প্রধান মন্ত্রি রাস্ত্রিয়া বাল পুরস্কার ২০২৬ তা শরুক য়ানবা অঙাংশিংনা এপ্লাই তৌনবা হায়খিবগী পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

লম্বীদা চীং নিংখায়বা অমসুং সেক্যুরিতি মরাং কায়না লৈতবনা ত্রক অমসুং তেঙ্কর পুন্না ৮০০ রোম লম্বীদা পন্দুনা লৈরে হায়বা পাউ গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোংদা থা অসিগী ২২ অমসুং ২৩ দা মৈ মুৎকনি হায়বা দিপার্টমেন টকী পাউ তমেংলোং টাইমসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।